ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, এপ্রিল ২৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩১শুবা মশীং

# খোংজোম নুমিৎ

## নীংশিংলগতা তোল্লুগুমসি

অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১গী খোংজোম লান মণিপুর খক্তগী থৌদোক নত্তে। মরমদি লান অদু মতমদুদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নখিবা, মালেমগী লৈবাক অয়াম্বগী মপু ওইখিবা মতমদুগী চাওখ্রবা বৃটিশ এম্পায়রগা শোক্লখিবা লাননি। পীক্লবা চীংলৈবাক মণিপুরগী থৌনা ফবা মচাশিংনা মশাগী মরমদম, মমা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবা অমসুং মীখা পোন্দনবগীদমক মায়থীরগনি খঙলবা ফাওবদা খোঙফম হন্দোক্তনা য়েক্লবগা মায়োক্লখিবা মণিপুরগীদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংলবা অমসুং অচৌবা লানফমনি। লান্মী মশীং য়াম্বা, খূৎশু-খূৎলায় ফবা য়েক্লবনা হেল্লি খঙলবসু লানফমদগী মায় লৈদুনা চেনখিদবনি। পোক্লফম লমদম মণিপুরগী নীংতম্বা কনবা নৎত্রগা থৱায় থাবা হায়বা পান্দম অনীসি খক্তনা লমজিং ওইরগা শোক্লখিবা লাননি। লানদুদা মণিপুর মায়থীখি। বৃটিশকী খূবাম মনুংদা মখোয়গী মীনাই নাইথাং ওইদুনা লৈখি। মখোয়না ওগষ্ট ১৪ অমসুং ১৫, ১৯৪৭কী লোন্নবা অহিংদা থাদোক্তুনা চৎখিদ্রিবা ফাওবা মখোয়গী মীনাই য়োল্লিং চন্দুনা লৈখি। থৌদোকসিনা মণিপুরনা কনাগীসু মীখা পোন্দনা নীংতম্না লৈবা পামখি হায়বদু মালেমগী মীয়াম পূম্নমক্তা ময়েক শেংনা উৎখিবনি। মমল য়াম্লবা পোকঙমদনা পোকপা মীওইবগী থৱায়দগী নীংতম্বনা হেন্না মমল য়াম্মী হায়বদুসু মীওই কাঙলূপ পূম্ন মক্তা ময়েক লানা খঙহল্লমখিবনি। মসিগীদমক এঙলো মণিপুরী লান অসিবু মণিপুরগী মীয়াম্না য়াম্না চাওথোকচনা লানফমদুদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মখোয়বু নীংশিংনরকপদগী হৌজিক্তি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ফাওবা ষ্টেটকী থাক্তা পাক চাউনা শিন্দুনা পাঙথোক্লে। চৎলিবা চহী অসিগীসু এপ্রিল ২৩দা খোংজোম নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মতিক ময়াই, মথৌনা নৌহৌননা নীংশিংদুনা মখোয়গী মমিংশিং শক শোনখ্রে। মখোয়বু নীংশিংদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে।

তৌগদবনি, তৌফম থোকই। মণিপুরগী মীপূম খুদিংমক্না খ্বাইদগী মরু ওইবা নীংশিং থৌরমনি হায়না লৌগদবনি। নুমিৎসিগী থৌরম পাঙথোকপনা ঙসিগী মণিপুরগী মীরোলদা নত্তনা মালেমগী মীওইবা ফুরুপ পূম্নমক্তা মমা লৈবাক নুংশিবগী ‘সেন্স ওফ নেসনেলিটি’ গী ইহুল চেলহনগদৌরিবনি। অদুবু নুমিৎসিগী থৌরম ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্লে হায়দুনা খেব চীংগী নাপোমদা লৈবা নীংশিং খুভমদা লৈ-শু কৎপা, গন সেল্যুট পীবা, ষ্টেট লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা অথৌবশিংদুবু শীংথাদুনা ৱা ঙাঙবা খক্তনা নুমিৎসিগী থৌরম পাঙথোকপগী অশেংবা ৱাহন্থোক ওইরোই। থৌরমসিসু থম্মোয় শেংনা পাঙথোক্কদবনি অদুগা লাইওইখ্রবা অথৌবশিংদুগী হকচাংদা চেনখিবা মমা লৈবাকপু নুংশিবগী ঈদু চেন্ননবা, মখোয়গী খুদুং ইন্ননবা হোৎনগদবনি। করি করম্বা থবকশিং পায়খৎলগা ঙসিগী মণিপুরগী মীরোলনা মখোয়গুম্না ৱাখল চেনগনি, মখোয়গী মতুং ইনবা ঙমগনি হায়বরোমদা ৱাখল খন্থরগা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎকদবনি। ঙসিগী মীরোলদা মমা লৈবাক মরমদম নুংশিবগী ৱাখল চেলহনগদবনি। মসিগীদমক লৌখৎপা য়াবা থবক ময়াম লৈ। অদুবু থবকশিং অদুগী মনুংদা অমদি লৈবাক মীয়াম হুপ্পদা খোংজোম লান করিদগী থোকখিবনো? বৃটিশ হায়বসিনা কনানো, করম্বা মীওই কাঙলূপনো? লানফমদুদা মণিপুরগী অথৌবশিংনা মতৌ করম্না লান শোক্লখিবগে? লৈখিদবা মণিপুরগী অথৌবশিংনা কয়ানো? কনা কনানো হায়বদু মরী-মখোঙ শেংনা থিদোক্তুনা খঙহনগদবনি। নুমিৎসিগী থৌরমবু করিগীদমক নোংমা খক্তুং পাঙথোক্লগা লোইশিনগদৌরিবনো? ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলকপগীদি চহী ৭৫ শুরকপগী হায়দুনা অজাদি কা অমৃট মহোটসব হায়দুনা চহী ১ লিশাং শিৎনা পাঙথোক্লগা খোংজোম লানগীসু চহী চূপ্পা মখল কয়াগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লানসিবু মীপূম খুদিংমক খঙহন্ননবা হোৎনফম থোক্তব্রা? মণিপুরগীসু মপু ওইখিবা বৃটিশনা ইন্দিয়াগী নিংথৌ পানবা লৈবাকশিং মথং-মথং লৌশিনখিবদসু খোংজোম লানগুম্বা কয়া থোকখিবগী পুৱারী লৈরিবনি। মখোয়গীসু পাঙথোকসনু, মণিপুরগী হেন্না পাক-চাওনা পাঙথোক্তুনা ষ্টেটসিগী মীওই পূম্নমক্কী থম্মোয়দা লানফমসিগী ৱারী শীংবুলনা চুদুনা লৈহৌনবা হোৎনরম্বনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়বনি। মরৈবাক মরমদম নুংশিবা হায়বসিদি তশেংবমক্কীদি পোকপদগী লোয়নরক্কদবা ইহুলনি। অদুবু অসিগুম্বা মীওইশিংগী মশীং য়ামদ্রবসু মখোয়গী মতুং ইল্লগা নৎত্রগা মখোয়গা তোৎশিন্নরগা মখোয়দগী তমজফম ওইবশিং ফাওবদি লৌবা য়াই। অদুগা মরমদম, মমা লৈবাকপু নীংদুনা নুংশিহনবগী ৱাখল্লোন অসিসু অচুম্বা-অশেংবা অমসুং অকনবা লংলা অমনা তুনা লেংলগা চেৎনা পুনশিনদুনা পুবা য়াই। মসিগীদমক মতম চঙবা য়াই, চঙজসনু। অদুবু তঙাইফদনা তৌদবদি য়াদ্রবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১) **“তোয়না থেংনৈ ঐনা/ৱাহৈনা মপূকচেন হোংলকপা।/ৱাহৈনা মপূক শেংলক্তবসিদা/কপলি ঐগী থৱায়না।”** শক্লাইরবা কবি অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং অমনি। কবি অসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী মমিংনি **“অরোইবা খোঙচৎ”** হায়বসি। অইবসি কনানো অমদি লাইরিক অসি করি মখলগীনো?

৩) ***“সেনবী সমসোক্ লৌওনব পাংগ ঈপ লাল্ কবো ঈপু লাল্ পূনুং চঙবী ঈয়ান খাক্ পূনুং ঈসোই ননন লমলেল্ মংসা লউথেং কোইদ ইরোই কাংপোৎ খোমলরে হায়য়ে। পোইরই ঐসু তাংসক্তে।”*** ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৪) **“চেরৈ”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৫) ***“অ।! চান্নবী, হৈররোনে থন্ন, থক্লসিনে,/হৌখিবগীদমক্ত নীংঙমদ্রবা লাক্কদৌ’ গীসু নুংনাংনরিবা ঙসি কৌবা নুমিৎসে,/হয়েং! করিগী হয়েং, ওইবা য়াদ্রবা ঐহাক্তী/হৌখ্রবা চহী লীশিং চাম্মগী চিন্তা পোৎলুম পুবা।”*** মালেম ফাওরিবা কবি অমগী শৈরেংদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা মতেকনি। কবি কনাগী করি শৈরেং লাইরিক্লো অমদি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

**পাউখুম পীবিরিবা ঃ**
**ডা. এম থোইথোই সিংহ**

Q. মমাঙ চহীগী উ মোরোক পাম্বী ৫০ মুক হন্দক্কী নোংদুদা য়েন্নীং লাক্লে। খরা হেন্না ফনবা করি তৌহৌগনি?

- ইবোবী মালোম

☞ পাম্বী মরা শোকহন্দনা, মখোঙ শোল্লবা মতুংদা ভর্মিকম্পোষ্ট নৎত্রগা ষম্থি-ষণয়ুংগী হার মরাং কায়না হাপসি। লৈবাক খোপচিল্লবা মতুংদা ঈশিং পীগনি। উ মোরোক্কী য়েন্নীং লাক্লিবা নৌরিবা মনাশিং মহী চূপ্পী তীলশিং তাগল্লি। মোরোক্কী মখল খুদিংগী তীলশিংদগী ঙাকথোক্লবা Xylo Green (Diafenthiuron 50% WP) গ্রাম ১২ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাগী মথক মখা চোৎহনবদং কাপথোকসি। পেকেট মনুংদা য়াওবা হীদাক য়োল্লকপা অপাবা প্লাষ্টিক মানবদুসু য়াওনা ঈশিংদা থাদবদা তুমগনি। মদুমক্লা ষ্টিক্কর ওইনা শীজিন্নগনি। ষ্টিক্কর অমুক হাপ্পগী মথৌ তাদে।




Q. চুজাক পাম্বীশিংগী মরক্তা নাপী য়াম্না হৌজিন্দুনা শেংবদা শেলদা নত্তনা মতমসু য়াম্না চঙগদৌরে। খুলং থিবসু অৱাবা অমনি। চুজাক পাম্বীদা হিদাক্তু পাল্লবসু চুজাক্তা শোক্তবা, নাপীদি শিবা; নাপি হীদাক লৈরবদি অমত্তা খঙজগে।

- পাকচাও, ইথায়

☞ Basagran (Bentazone 480G/L SL) মিলিলিটর ৬০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা চুজাক মরক্তা হৌরিবা নাপীশিং চোৎনবা কাপসি। চুজাক্তা পাল্লবসু অকায়বা লৈরোই অদুবু নাপীশিংদি শিরনি। হায়রিবা হীদাকসি হৱাই মখলশিংদা, কিহোমদা অমসুং ফৌ মরক্তা হৌরিবা নাপীশিংবুসু হাৎপা ঙম্মী। ফৌরক্তা হৌবা কৌথুমশিংবুসু মপূং ফানা হাৎপা ঙম্মী।

Q. লৌশেন অমা পান থাজিল্লে। হৌবদি হৌরক্ত্রি। অদুবু হন্দক্কী নোংদুদা নাপী য়াম্না হৌরে। ফৈদোমশিংদু নাপীনা কুপশিন্দুনা ইশং শংনা উরে। হয়েং পান হৌরকপদদি কায়রোইদবা, নাপীদি মপূং ফানা হাৎকদবা নাপী হীদাক শীজিন্নবা য়াব্রা? করি হীদাক শীজিন্নগনি?

- ইনাওবী, ইরেংবম

☞ Paraxon (Paraqual Dichloride 24% SL) মিলিলিটর ১০০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ষ্টিক্কর মিলিলিটর মঙাসু য়াল্লগা নাপীশিং চোৎনবা কাপথোকসি। নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা নাপীশিংগী মনা ঙাংশিল্লক্কনি, মতুংদা কংশিল্লক্কনি। হীদাক ময়াক লোইরবা মতুং নুমিৎ ১৫নি লৈরগা থিনগৎলকপা পান ময়োনশিং হীদাক্লা শোকপা নংলরোই। অকায়বা পীরোই।

Q. মাইরেননা মপান কেন্দ্রিঙৈ অমসুং ক্রিকেট বোলমুক চাওরকপা মতম ফাওবদা নাপু মচু চংলক্লগা কেল্লি। মনুংদসু হন য়াওই। করি হীদাক কাপকদগে?

লাইশ্রম মনি, কৈবী

☞ হীদাক কাপ্পরোইসি Melon fly trap হায়না খঙনবা লুপা ৮৫ খক চংবা লাংদু থাক্লসি। লাংসিদা য়াওবা মনম থা অনী চৎলি। মনমসিনা তীল মপীশিং ফাদোকই। লাবা অমোম অনীমক ফাদোকপা ঙম্মী। শঙম অমা চাওবা মফমদা লাং মরি থাক্কনি। থা অনী হেন্না থমগদবা ওইরবদি থা অনী শুবগা লাং মনুংগী লুপা ৬৫ পীবা মনমদুদং শিন্দোক্কনি। খোংদ্রুম, মাইরেল, থবী, শেবোট, কারোট ইরুহৈ (তর্বুজ), চিনার, মোরোকনচিংবা পাম্বী পূম্নমক্তা শীজিন্নবা য়াই। হীদাক ওইনা পাম্বীদা কাপত্রবনিনা চানবা পোৎলমশিংদুদা হীদাক্কী লেমখাক লৈহৌররোই।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

# ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং

**– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –**



ওর্গানিক ফার্মিং হায়বসি অনৌবা লৌউ শিংউগী কাঙলোন অমদি নত্তে। থায়নদগী য়ুমথোঙ খুদিংদা য়েন-ঙানু, শা-ষণ কয়া লোয়বা চৎনরম্মী। মসিগী মথী-ময়ুং পুম্নমক ইংখোলদা/লৌবুক্তা হুন্দোক্তুনা নৎত্রগা হৈদোক্তুনা হার ওইনা শীজিন্নৈ। মসিনা অতোপ্পা রসায়নগী পোৎলম কয়া শীজিন্নদে। মসিবুনি ঐখোয়না ওর্গানিক ফার্মিং হায়না খঙনরিবসি। চীংগী মফম অয়াম্বদদি রসায়নগী পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবগী চাং অসুক্কী মতীক নেম্মী। সিক্কিম অমদি অরুনাচল প্রদেশকী মফম অয়াম্বদদি লৌউ শিংউগী থবকশিং অসি ‘ওর্গানিক’ হায়না লাউথোকপসু লৈখ্রবনি। ওর্গানিক ফার্মিংদগী পুথোকপা পোৎলম কয়া মীওইবনা চাবদা অনা-অয়েক্কী চাং হন্থে। নাদ-য়েক্তনা নুংঙাইনা পুন্সি নুংশাংবা ঙম্মী। হৌজিক্কী মতমদদি মীশিং হেনগৎলকপা লৌউ-শিংউবা, ইংখোল কোয়দুনা মনা-মশিং থাবগী চাং অসি অসুক্কী মতীক হন্থখ্রে। অদুবু পোথোক্তি হেন্না পুথোকপা মথৌ তাবনা রসায়নগী হার কয়া শীজিন্নরি। মসিনা লৈবাক লৈহাওদা অকায়বা পীবতা নত্তনা অকোয়বগী ফীভমদসু অহোংবা কয়া লাকহল্লি। মীওইবা অমদি থৱায় পানবা খুদিংমক্তা লায়না মখল কয়া পোকহন্দুনা শিবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎহল্লক্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না ‘ওর্গানিক ফার্মিং’দা মায় ওনশিনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদদি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমা ওইরক্লি।

‘ওর্গানিক ফার্মিং’ হায়বসি ফার্মিং সিষ্টেম অমনি। মসিদা রসায়নগী পোৎলম খুদিংমক হায়বদি হার, তীলহাৎ হিদাকনচিংবা ময়াম অসি শীজিন্নদনা শা-ষণগী শন্থী-শনয়ুং অমসুং মনা-মশিং পৎথ-পুমথহন্দুনা শেন্বা হার শীজিন্নবদুবুনি। অমরোমদনা ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং হায়রগদি ঐখোয়না মশা চান্নবা, মরুম চান্নবা, শঙ্গোম অমদি অতৈ পোথোকশিং পুথোরল্লিবা শা-ষণ, য়েন-ঙানু, ওকনচিংবা কয়া অসি লোয়বা অসিবুনি। ওর্গানিক লাইভষ্টোক লোমদা লোয়গদবা শা-ষণ ময়াম অসি লোয়বা মতমদা লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু য়াম্না পীকপা/চিনবা ওইরোইদবনি অমদি নুংশিৎ-নুংশা মরাং কায়বা মফমদা লোয়বিগদবনি। মচিঙ্গাক পীজবা মতমদা ওর্গানিক ওইনা পুথোল্লবা মচীঙ্গাক ওইগনি। মসিদা হোর্মোন, এন্টি-বাইওটিক্স, তীলহাৎ হিদাকনচিংবা কয়াসি য়ারিবমখৈ শীজিন্নদনা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা হিদাকশিং- হার্বেল, অয়ুরবেদিক্কী হিদাকশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নবিগদবনি। ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং তৌবা মতমদা জিন মেন্যুপুলেসন তৌবা য়াদে। ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিংগীদমক শা-ষণ খুদিংমক ওর্গানিক ওইগদৌরিবা মফমদুদা পোকপা/চাওনবা য়োকপা ওইগনি হায়বদি মফমদুগী অঙৌং-অশাগী ফীভমগা চান্ননা লৈবা ঙম্বা ওইগনি। অদুবু করিগুম্বা ওর্গানিক ওইবা শা-ষণ লৈত্রগদি শা-ষণ খুদিংমক ওর্গানিক লোমদা কনভর্সন তৌনবা করম্বা মতমদা পুশিল্লক্কদগে হায়বদুসু মখাদা থমজরি।

- য়েন, ঙানু মশা চানবগী ওইরগদি নুমিৎ নীনি শুবা মতমদা ওইগনি।
- য়েন, ঙানু মরূম চানবা ওইরগনা হাপ্তা ১০দগী ওর্গানিকলোমদা ওনশিন্দুনা য়োকপীগনি।
- ওক ওইরগনা মখোম খায়বা মতুং হাপ্তা অহুম শুরকপদগী ওর্গানিকলোমদা লোয়বীগনি।
- ষণনাও ওইরগনা হাপ্তা মরিশুবা মতমদগী ওর্গানিকলোমদা লোয়বীগনি।

**ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং করম্না পায়খৎকনি ?**

- শীজিন্নগদৌরিবা লম খুদিংমক হান্না শীজিন্নরম্বা মওংদগী হোংদোক্তুনা ওর্গানিকলোমদা ওনশিন্দুনা শেম্বীগনি।
- ফার্মদা তৌগদবা হীরম খুদিংমক খুদম ওইনা হায়রবদা মচিঙ্গাক পীজবগী, পীজরিবা মচিঙ্গাক, হীদাক-লাংথকশিং, লোয়রিবা শা-ষণগী মতুংইন্না খুদিংমক রেকোর্দ থম্বীগনি।
- ওর্গানিক ওইনা থমগদৌরিবা শা-ষণ, য়েন, ঙানু খুদিংমক মখোয়বু থমগদৌরিবা জগা অমদি অকোয়বগী ফীভমদুনা লায়না লৈবা ঙম্বা ওইগনি।
- লাইভষ্টোকশিংনা মখল মখা কয়াগী ওইবা মওংদা লৈরিবসি নিংথিনা শেন্নবীদুনা তুং কোয়না লৈনবা হোৎনবীগনি।
- শা-ষণ, ঙানু- য়েন খুদিংমক মখোয়গী অকোয়বগী ফীভম য়েংলগা মশাগী হান্নগী মওংদা মনীং-তম্না মশা-মউ ফনা লৈহননবা হোৎনবিগনি।
- শা-ষণ খুদিংমক ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা লাক্লবা মখোয়না পীজরিবা মচিঙ্গাক খুদিংমক ওর্গানিক ওইনা থাবীগনি অমদি মখোয়দগী ফংবা ষম্থি, ষণয়ুং অমদি অতোপ্পা অরেম্বা মনা-মশিং, শজিক/মচিঙ্গাক্লচিংবা ময়ামসি পুমথহল্লগা রিসাইকল তৌদুনা ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিংদা অচৌবা থৌদাং লৌহনগনি।
- শা-ষণনা চানবা মচিঙ্গাকশিং থাবা মতমদা তীলশিং অমদি নাপীশিংবু হিদাক শীজিন্নদুনা মাঙহনবগী মহুত্তা বাইওলোজিকেল কন্ট্রোল শীজিন্নবিগনি।
- ওর্গানিক ওইনা থম্বীগদৌরিবা লাইভষ্টোকশিংগী চাদা নাওদা খুদিংমক ওর্গানিকলোমদা লোয়বীগে হায়রগদি লোয়গদৌরিবা অদু লোকল কন্দিসন্দা হিংবা ঙমগদবা খক্তমক লোয়বীগনি।
- শা-ষণ, য়েন-ঙানু খুদিংমক পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা মশা ৱাহনবা/চোকথহনবা তৌবীরোইদবনি।
- অশেংবা নুংশিৎ, নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংবা মফমদা থম্বীগনি। মসিদা নত্তনা থক্লনবা অফবা ঈশিংসু মরাং কায়না থম্বীগনি।
- মখোয়গী কুনফম, পোথাফম মশা মশাগী হৈনবী মওংদা লৈননবা শেম্বীগনি।
- শা-ষণ খুদিংমক্তা মতম মতমগী ওইবা কাপুবা য়াদ্রবা টিকা থাদোকপীবা য়াই অদুবু জে নিটিকেল্লি ইঞ্জিনিয়র তৌবা টিকা থাবদি য়াদে। হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী ওর্গানিকলোমদা ওন্থোকপা হায়বসি মতম চংই। মসি হেক হৌরকপদগী সর্টিফিকেসন ফাওবসিবু কনর্ভসনগী মতম হায়না খঙনৈ। মসি য়ামদ্রবদা থা ১২ চংই। মসিদা তুংকোয়হৌনবা শা-ষণ খুদিংমক্কা মহৈ-মরোং থাগদৌরিবা মফম অদুগা মরী লৈনহনবিগদবনি।

ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং তৌবা মতমদা লোয়রিবা লাইভষ্টোক পূম্নমক্তু ওর্গানিক ওইরে হায়বগী সর্টিফিকেট অমা লৈবা দরকার ওই। মদু ফংনবা শা-ষণ লোয়বীরিবশিংনা অদুগুম্বা সর্টিফিকেট পীবা ঙম্বা ওর্গনাইজেসন খুদম ওইনা হায়রবদা ওর্গানিক ফার্মরস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া, নেসনল ষ্টেন্দর্দ ওফ ওর্গানিক প্রদক্সন, এগ্রিকলচর এন্দ প্রোসেস ফুদ প্রদক্ট এক্সপোর্ট দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি অসিনচিংবশিং অসি মখাদা থমজরিবা প্রোসেস অসুম্না তৌবীগনি।

ওর্গানিক সিষ্টমগী ফোর্ম অমা লৌবীরগা এপ্লিকেসন থাজিনবীগনি
|
থাজিল্লবা তুংদা অহানবা ওইনা কম্মিটিনা রিভিয়ু তৌরবা তুংদা
|
ফিল্ড ইন্সপেক্সন লাক্তুনা ওর্গানিক ফার্মিং তৌরিবা কাঙবুশিংগা উনদুনা ৱাহং পাউহং তৌরবা তুংদা
|
ফাইনেল রিভিয়ু তৌবা
|
ফাইনেল এপ্রুভেল লৌরবা তুংদা সর্টিফিকেসন দিভিজনলোমদা চে চাং পূম্নমক পীশিল্লবা তুংদা
|
সর্টিফিকেট ফংবা
|
চহী চহীগী ওইনা মখা তানা অমুক ইন্সপেক্সন তৌদুনা রিন্যু তৌবা

**ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিংগী খুদোংচাবশিং :**

- ওর্গানিক ওইনা লোয়রবা শা-ষণ, য়েন-ঙানুগী পোথোকশিং অফবা অমদি সেভ ওই। লোয়ননা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমহল্লি।
- শা-ষণ খুদিংমক্কী লৈফম-চাফম লূ-নান্না থম্বা ঙমহল্লি। মখোয়না চাগদবা মচীঙ্গাক থাবা মতমদা তীলহাৎ হিদাক অমদি রসায়নগী হার শীজিন্নদনা থাবা ঙম্মী।
- ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং তৌরগদি কার্বোনদাইওক্সাইদ পুথোকপগী চাংসু হন্থে।
- পোথোক হেন্না পুথোকহনবা অমদি লৈবাক লৈহাও হেন্না লৈহন্নবা মচি ওইবা ন্যুট্রিএন্ট ময়াম অমা শীন-থুংবা ঙমহল্লি। নারকপা মতমদসু এন্টি-বাইওটিক্স অমদি অতোপ্পা হিদাক শীজিন্নদ্রবনিনা অরেম্বদা চাদিং তৌহন্দে।
- নীংশিংবীগদবা অমনা করিগুম্বা কেমিকেলগী ওইবা হীদাকশিং হায়বদি এন্টি বাইওটিক্সকুম্বা হীদাক শীজিন্নবা তারগদি হীদাক্তুনা হকচাংদগী চৎখিবগী মতম হিদাক্তুনা য়াওজরগা লাকই মসি শীজিন্নরিবা মতম হায়বদি ৱিথদ্রোএল পেরিওদকী মনুংদা ওইরগদি পুথোরল্লিবা পোৎলম খুদিংমক ওর্গানিক ওইদে হায়রিবা মতমসি লোইখ্রগদি ওর্গানিক ওইনা য়োনবা য়াই।
- ওর্গানিক ফার্মিংদা পুথোরল্লিবা পোথোক খুদিংমক সাইন্টিফিক অমদি তুং কোয়বা ঙমহল্লি।

**ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিংগী খুদোংচাদবশিং :**

- অরুবা লায়না অমা লাকপদা এন্টি-বাইওটিক্সনচিংবা হিদাক শীজিন্নবনা মসিদগী লেমহৌবা মাঙনিংঙাই ওইবা মচাকশিং লৌথোকপদা মতম শাংনা চংই।

খ) শা-ষণ থম্নবগী অহেনবা মফম পীনবা হোৎনবা অসিসু অৱাবা অমনি।

গ) মখোয়গী পোথোকশিংসি কুইনা থম্নবা হোৎনবদা কেমিকেল হায়বদি ট্রাইসোদিয়ম পোলিফোস্ফেট, সোদিয়ম নাইট্রেটনচিংবা শীজিন্নদ্রগদি কুইনা থম্বা য়াদে। মসিনা অমাঙবা অমা ওইহল্লি।

ঘ) ওর্গানিক লাইভষ্টোককী ফার্মিং তৌনবা কাঙলোন লৈবনা মখোয়গী পোথোকশিং মমল ৱাংই।

অসিগুম্বা ওর্গানিক ফার্মিং লাকপা মতমসিদা শা-ষণশিংসিনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি অমদি ওর্গানিক লাইভষ্টোক ফার্মিং তৌরগা পুথোরল্লিবা পোথোকশিংসি মমল ৱাংজরগসু হকচাং ফনা লৈবা ঙমহল্লি। অসুম্না ওর্গানিক্কী পোথোক পুথোক্লবা পুনশিন লৌউ হায়বদি ঙা-মনা-মশিং-শা-ষণ পূম্নমক লোয়মিন্নদুনা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনমিন্নরসি। ●